**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 22-12-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

(তাং ২২-১২-২০২৫, নিংথৌকাবা)

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়রপোর্টতগী গঞ্জা কিলোগ্রাম ৬ হেন্না ফারে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-চাউখৎপা ভারত অমা ওইহনবা হায়বদা লৌমীশিং অমসুং অন্না দাতাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

**অমসুং**

৩) ভারতনা হায়রি-নিউ দেল্লিগী বংলাদেশ হাই কম্মিসন মমাঙদা মীওই খরনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপদা নিয়মগী ৱাংমদা থবক কয়া তৌখি হায়বদু অরানবা পাউনি।

----

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি তংদু লৈতানা লৈনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মনিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লিলোং থোংদগী

য়ু.এন.এল.এফ(কে)গী মীওই অমা ফারে। মীওই অসি মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়রপোর্টতগী চহী নৌরিবা অঙাং অনিদগী গঞ্জা কিলোগ্রাম ৬ হেন্না ফারে হায়রি।

মরক অসিদা, মণিপুর পুলিসনা গারিশিংদগী তিন্তেট ফিল্মশিং লৌথোকপগী থবকসু চথরি।

**এগ্রি (এল)ঃ** লৌউ শিংউগী লোইশঙশিং ওইরিবা আই.সি.এ.আর, সি.এ.য়ু, হোর্তিকলচর অমদি লৌউ শিংউ বিভাগনা রাজ্য অসিগী জিলা জিলাশিংগী ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা কে.ভি.কেশিংগা মরী লৈনবা ওফিসরশিংগা ২০২৫-২৬কী নিংথম লৌরোক্কী মরু মরাংশিং মতম চানা লৌমীশিংদা ফংহনবগীদমক অনৌবা শেন্মীৎলোন মণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসি সরকারনা চহী খুদিংগী পায়খৎপীদুনা লৌমীশিংদা অফবা চাথোক লৈবা মরু মরাংশিং ফংহন্দুনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি হায়বগী আশা থল্লি। তুংদসু সরকারনা অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসি লেপ্তুনা লৌখৎপীনবা লুপ অসিনা আপিল তৌরি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-চাউখৎপা ভারত অমা ওইহনবা হায়বদা লৌমীশিং অমসুং অন্না দাতাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। লৌমীশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নরিবা সরকারগী মীওইশিংবু খ্বাইদগী মথক্তা থমদুনা মখোয়দা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিং ফংহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়-লৌমীগা মরুপ ওইবা স্কিমশিং হেন্না পাকথোক চাউথোকহনবগী থবক চথরি। অসামদা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট অমা উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়-পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট অসিনা লৌমী মীয়ামদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি ।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অরুনাচল প্রদেশকী মীয়ামদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। পঞ্চায়েট মীখলদা বি.জে.পিনা চাউনা মাই পাকখিবা অসি অফবা লৈঙাক সাসনদা রাজ্য অসিনা শৌগৎলি হায়বদু ডৎলে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-পঞ্চায়েট মীখলদা রাজ্য অসিগী মীয়ামা অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা চপ মান্ননা অহোংবা পুরকবা ফিরেপ অসিবু থাগৎনিঙাই ওই। প্রধান মন্ত্রিনা বি.জে.পিগী কর্যাকতাশিং অমসুং মীয়াম্বুসু মাই পাকপা অসিগীদমক অমুক্কা হন্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

**ক্লেরিফাইঃ** ভারতনা হায়রি-নিউ দেল্লিগী বংলাদেশ হাই কম্মিসন মমাঙদা মীওই খরনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপদা নিয়মগী ৱাংমদা থবক কয়া তৌখি হায়বদু অরানবা পাউনি। মপাল থৌরম মন্ত্রালয়গী মেদিয়া ক্লেরি অমগী পাউখুম পীরদুনা হায়-নহা ২৫ রোম বংলাদেশ হাই কম্মিসন মমাঙদা পুন্দুনা বংলাদেশকী মাইমেনশিংদা দিপুচন্দ্র দাস হাৎখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোল্লাওশিং লাউখি। মখোয়না বংলাদেশতা লৈরিবা মাইনোরিতিশিংবুসু ঙাকপী শেনবীনবা খোল্লাউশিংসু লাউখি। পুলিসনা মখোয়বু মফম অদুদগী তকথোকখি। মসিগী মতাংদা বংলাদেশকী মেদিয়াশিংনা অরানবা পাউ শন্দোক্লিবা অসি ভারতনা য়ুমফম য়াওদবনি হায়রি। মন্ত্রালয় অসিনা হায়-লৈবাক অসিদা মপাল লৈবাক্কী মীওইশিংবু চপ চানা ঙাক শেন্দুনা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা থৌদাং লৌরি। ভারতকী ওফিসিয়েলশিংনসু বংলাদেশ ওথোরিতিশিংগা মতম চুপ্পদা পাউ ফাওনরি। দিপুচন্দ্র দাস হাৎপদা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওইশিং অদু থিদোকবা নিউ দেল্লিনসু বংলাদেশ সরকারদা অকনবা ৱাফম থল্লি।

**মেথমেতিক্সঃ** নেসনেল মেথমেতিক্স ডে ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লি। মেথমেতিক্সিয়ান শ্রিনিভাসা রামানুজনগী মপোক নুমিৎ অসিবু নিংশিংদুনা নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি। মহাকা মেথমেতিক্সতা লৌরম্বা মরুওইবা

থৌদাংশিং অদুবু নিংশিংবা ওইনা নুমিৎ অসি সরকারনা ২০১২ দগী পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

**শামুঃ** ফোরেষ্ট অমসুং এনভাইরনমেন্ট মন্ত্রালয়না রেল গারিগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা শামুশিং শিবগী চাং হন্থহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। রেলৱেজনা এক্সিদেন্ট তোইনা থোক্কনবা মফমশিং মশক খঙদোকবা খংহনখ্রে। ফোরেষ্ট অমসুং এনভাইরনমেন্ট মন্ত্রি ভুপেন্দ্র যাদবনা হায়-মফম অদুগা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেট অমসুং পুলিসকী সুপরিন্তেন্দেন্টশিংদা ৱাটসএপ গ্রুপ শেমদুনা মফম অদুগী ফিভম কুপা য়েংশিন্নবা হায়খ্রে। শামুনা এত্তেক্ট তৌবদা লৈখিদ্রবা ইমুংশিংগী মীওইশিংদসু ক্ষেত্রিপুরোন পীরগনি।

**ভিপিঃ** উপ রাস্ত্রপতি সি.পি রাধাকৃষ্ণননা ইন্দোরদা পাঙথোকপা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি বাজপাইগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপা সুনিয়া সে সাতক এক সতাপ্তী অতল ভারতকী হায়বা থৌরমদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা, মধ্য প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি ডা.মোহন যাদব, রাজ্যপাল মংঘুভাই পতেলগা লোয়ননা উপ রাস্ত্রপতিনা দেল্লি কোলেজ কেম্পসতা লোক মাতা দেবী অহিলিয়াবাইগী মীতম অমগী মাইখুম হাংদোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রি ডা.মোহন যাদবনা হায়-থা অসিগী ২৫ দা অতল বিহারি বাজপাইগী মপোক কুমওনগী থৌরম লোইশিনবগা মরী লৈননা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা গ্বালিয়রদা লূপা কোতি লাক্ষ ২ হেনবগী ইন্দষ্ট্রিয়েল প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনগনি, খরনা শঙ্গাগনি হায়রি।

**বিল** ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ভিক্সিত ভারত- গরেন্তি ফোর রোজগার এন্দ আজিবিকা মিসন (গ্রামিন) (ভি.বি-জি রাম জি) বিল ২০২৫ অয়াবা পীখ্রে।

সংসদনদি নিংথম মীফমদা বিল অসি হান্ননা পাস তৌখ্রবনি। এক্ট অসিনা খুঙ্গংগী লমদা য়্মথোঙ অমমমদা শেনবা চহি খুদিংগী নুমিৎ ১২৫ নি থবক পীবগী ৱাফম য়াওরি। রুরেল দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না হায়- মসিনা খুঙ্গংগী মীওইশিংদা থবক ফংহন্নবগী থৌশিলদা শিংথানিঙাই ওইনা অওনবা পুরক্লগনি। ভি.বি-জি রাম জি এক্ট অসিনা মহাত্মা গান্ধি নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গরেন্তি এক্ট (এম.জি-নরেগা) ২০০৫ গী মহুৎ শিল্লগনি।

**ফেষ্টিভেল ঃ** নুমিৎ নিনি চত্থগদবা পঞ্চায়টস-এক্সটেন্সন টু সেদ্যুল এরিয়াজ এক্ট ১৯৯৬ (পেসা) ফেষ্টিভেল লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী অন্ত্র প্রদেশকী ভিসাখাপতমদা হৌগনি।

পঞ্চায়াতিরাজ মন্ত্রালয়না হায়- থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া হৌদোক্কনি। মদুগী মনুংদা ঈ-পাউ শন্দোকবা অমসুং এক্ট অসি চৎনবগী মতাংদা য়েংশিনবা পেসা পোর্তেল অমসুং পেসা ইন্দিকেতরস য়াওরি। ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা শান্ন-খোৎনবা অমদি সংস্কৃতিগী ওইবা থৌরমশিংসু উৎকনি হায়না মন্ত্রালয়না হায়রি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

কোকোমিনা বফরজোনগী মতাংদা শেংদোরকবা চিফ সেক্রেটরিদা তকশিনখ্রে, আই.টি.এল.এফনা ঙসি তোর্বুংদা খোঙজং চংশিনগদৌরি হায়বা পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা- কম্ম্যুনেল পোলিতিক্স তৌদনবা লৈঙাকা ময়েক শেংহল্লু ঃ কোকোমি হায়বা পাউ অসিগা লোয়ননা বফর জোন লানশিল্লকবা হোৎনবা য়ানিংদে ঃ আই.টি.এল.এফ হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হন্দক ফমখিবা অপুনবা মীফমনা মণিপুর কাইহন্দনবা ৱারেপ লৌমিন্নখি হায়না এম.এল.এ থোকচোম রাদেস্যামনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরীদা- পম্পশিংদা কিহল্লকপদা লৈঙাকা থবক লৌখৎলক্তবগী পেন্নদ্রে, থাউগী পম্পশিং থোং লোল্লক্কদোরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- মণিপুরগী ইন্তিগ্রিতি কাইহল্লোই হায়বা সেন্তরগী ৱাফম য়ামা ময়েক শেংই হায়না এম.এল.এ থোকচোম রাদেস্যামনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মার্জিং পোলো স্তেচ্যু ক্রোর কয়া চংনা শেমগৎখ্রবসু মণিপুরী পোনিগী মরাইবক্তি তম্বা ঙমদনা লৈরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা লো এন্দ ওর্দর ফিভম ফগৎলক্লবসু মুকরিবা অনিগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন পুরকবা হোৎনবদা চহী অমরোম চংখিগনি হায়না আর.এস.এসকী লুচিংবা মোহন ভগবৎনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- ইন্দিয়না বংলাদেশকী চতোগ্রামদা লৈবা ভিসা ওপরেসনগী থবক তোকখ্রে হায়বা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- এম.জি নরেগাগী মহুৎ শিনগদৌরিবা ভিক্সিট ভারত গেরেন্তি ফোর রোজগার এন্দ অজিবিকা মিসন গ্রামিন রাস্তপতিনা অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউ অমা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**